**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28.03.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৮-০৩-২০২৪, শগোলশেন)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাংবম ঙান্থোইনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদগদবা ইন্নর অমসুং আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগী ঙসি মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি পাঙথোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎলে।

৩) লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্প অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং ভোট থাদবা য়ান্নবগীদমক স্কিম ফোর ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পরসনস ওফ মনিপুর ইন রিলিফ কেম্প সরকারনা অয়াবা পীখ্রে।

৪) একাদমিক সেসন ২০২৪-২৫ দগী হৌনা পি.ঐচ.দি প্রোগ্রামশিংগী মীং চনবদা এন্ত্রান্স টেষ্ট তৌবগী মহুৎতা নেট স্কোরদা য়েংলগা মীং চন্নবা য়ু.জি.সিনা য়ুনিভার্সিতিশিংদা খঙহনখ্রে।

**অমসুং**

৫) লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা রাজ্য ১১ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনিদা বি.জে.পিগী ইলেক্সন ইন চার্জ অমসুং কো-ইন চার্জ ওইগদবশিং খল্লে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**স্ক্রুতিনি (এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদবা ইন্নর অমসুং আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়্যন্সিগী ওইনা ঙসি মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি পাঙথোকখ্রে। ইন্নরগী ওইনা মীরেপচে ৭ কী মনুংদা ৬ য়ারে, অমগী মীরেপচে য়াখিদ্রে। আউতরগী ওইনা মীরেপচে মরিমক য়াখ্রে। লাক্লিবা থাংজা নুমিৎ অসিনা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ ওইগনি।

ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়্যন্সিগী রিটর্নিং ওফিসরসু ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দি.সি টি.ঐচ. কিরন কুমারনা হায়- মীখল অসিদা মীওই ৭ না মীরেপচে পীশিল্লকখি। মীরেপচে শিং কুপা য়েংশিল্লবা মতুংদা মীওই ৬ মীরেপ ওইবা য়ারগনি। মনিপুর পিপলস পার্টি(এম.পি.পি)গী টিকেত্তা মীরেপচে পীশিল্লকখিবা আর.কে সোমেন্দ্রো অমদি রাজত্রিয়া জনহিট সংঘর্স পার্টি (আর.জে.এস.পি)গী টিকেত্তা মীরেপচে পীশিল্লককিবা তোমতোমসনা নোংশাবা অনিগী মীরেপচেশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপ ওইনা অয়াবা পীখ্রে। লেমহৌরিবা মখোয় মরি অদুনা- ভারত্যা জনতা পার্টিগী -থৌনাওজম বাসন্তা কুমার, কংগ্রেসকী ডা:অঙোমচা বিমোল অকোয়জম, রিপাব্লিকান পার্তি ওফ ইন্দিয়া (আর.পি.আই-অথৱালে)গী মহেস্বর থৌনাওজম, ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপশিং- হাওরুংবম সারট নি। য়ুনিভাসিয়েল ফেমিলি পার্টিকী ঙাশেপম নিলাকান্ত সিংহগী মীরেপ চে য়াখিদ্রে।

আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়্যন্সিগী ঙসি থৌবালগী দি.সি ওফিসতা মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুতিনি পাঙথোকখি। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-- মীখল অসিদা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ)কী মীরেপ কে. তিমোথি জিমিক, কংগ্রেস মীরেপ অলফ্রেদ কঙম অর্থর, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ডাঃ অলিসন অবোনমাই অমসুং খো-জোননা পীশিল্লকখিবা মীরেপচেশিং অয়াবা পীখ্রে।

**নোনে(এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখল মাঙওইননা নোনে জিলাদা মীখল অসিগী থৌরাং অকনবা মওংদা লৌখৎলি। ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়- অনিশুবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনগদবা আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগীদমক জিলা অসিদা শেম শাবাগী থবক কন্না চথরি।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর সারটচন্দ্র অরোজ্না হায়- নোনেনা মপুং ফাবা জিলা ওইরকপদগী হন্দক্কী অসিনা লোক সভা মীখল পাঙথোকপা অহানবা ওইবনা জিলা অসিদা শেম শাবগী থবক কন্না চথরি। মীখল অসি মায়পাকা অমদি নিংথিনা পাঙথোকবগীদমক তোঙান তোঙানবা টিম কয়া শেমদুনা থল্লে। মসিদা মীয়ামসু মতেং পাংবিয়ু। মহাকা হায়- জিলা অসিগী ওইনা ভোতর লিশিং ২৯,৪৩৮ ওইরি। মসিগী মনুংদা নুপী ভোতর ১৫,১৫৮ ওইরি। অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ৫২ নি।

**মেদিকেল (এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মেদিকেল গ্রাউন্দা ছুতি নিরকপা পোল্লিং পরসনেলশিংগী মেদিকেল স্ক্রিনিং পাঙথোক্লগনি ।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর থৌবালনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মেদিকেল স্ক্রিনিং হয়েং অয়ুক পুং ১০ মখায়দগী থৌবাল দি.সিগী কাউন্তিং হোলদা হৌরগনি। মসিদা পোল্লিং পরসনেলশিংনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং পুরকবা হায়রি ।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনসু মেদিকেল স্ক্রিনিং অসি লাক্লিবা থাংজা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ মখায়দগী জিলা অসিগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা পাঞ্চয়ট ভবনদা হৌরগনি। জিলা অসিগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট ইলেকসন ওফিসরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- স্ত্রিনিং অসিদা পোল্লিং পরসনেলশিংনা তঙাই ফদবা চে চাংশিং পুরক্তুনা মতম চানা লাক্কদবনি ।

**ত্রেনিং(এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মথৌ তৌগদবা তেংনৌপল জিলাগী পুলিস ওফিসর, পরসনেলশিং অমসুং ভি.দি.এফশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি চান্দেলগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা পুলিস ওফিসর ১৯ অমসুং পরসনেল ২০০ রোম শরুক য়াখি।

**গুদ (এল)ঃ** মনিপুর য়াওনা মালেমগী মফমশিংদা

গুদ ফ্রইদে হয়েং পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মীয়ামদা মরুওইনা খৃষ্টেন লাইনিং চৎপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা প্রাভু জিসুনা মহাক্কী লাইনিংগীদমক কৎথোকখিবশিংবু নিংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা প্রভু জিসুনা ঐখোয়গী রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি নুংঙাই য়াইফবা পীনবিবা ওইরসনু ।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**ওপরেসন(এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী চকপিকারোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা বোদর পিল্লর নম্বর ৪৮ গী খা নোংপোক রোমদা কিলোমিতর ১৪ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা অসাম রাইফলসনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই ৫ খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুমগা কোন্ননা ফাগৎলে।

ফারবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা মেগজিনগা কোন্ননা নাইন.এম.এম পিস্তোল অমা, নাইন এম.এম.গী লাইব রাউন্দ ৬, সিঙ্গল বেরেল ত্বেলফ বোর গন অনি, ৱাকি টোক্কী অমা, পলসর বাইক অমা , কেনবো বাইকনচিংবা পোৎলম কয়া ফাগৎখি। মসিগা লোয়ননা মখোয়দগী সাপোন কেপ ২২০ দা হাপ্তুনা পুরম্বা হেরোইনসু ফাগৎখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং ১৬ শুবা কুমাউন রেজিমেন্তকী অপুনবা কাংবু অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী সাইতোন অমসুং সন্থোং কেনেলগী মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎলে।

খুৎশু খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা লোকেল মেদ পম্পী আর.এল ১, লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল ২, মেগজিনগা কোন্ননা এস.এম.সি করবান্দ অমা, ৩৬ হেন্দ গ্রেনেট ১১, এন.এম.এম মাইন বোম অনি, পম্পী সেল অহুম, পেরা সেল অনি,এস.এল.আর মেগজিন অমা অমসুং লাইব রাউন ৬ কা লোয়ননা ইন্সাস মেগজিন অমা য়াওরি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা ঙসি ককচিং জিলাগী মোইরাংপাৎ কাচিনগী মফমদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেট অনি অমসুং য়ু.এস.এনা শাবা মেগজিন য়াওবা নোংমৈ অমগা ফংখি।

**স্কিম(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর খুমন্থেম দাইননা থোকপা চেরোল অমদা হায়- লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্প অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা ভোট থাদবা য়ান্নবগীদমক স্কিম ফোর ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পরসনস ওফ মনিপুর ইন রিলিফ কেম্প সরকারনা অয়াবা পীখ্রে।

স্কিম অসিগী মখাদা লাঞ্জেন্নরিবা ভোতরশিংগীদমক অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন কয়া অমা শাগদৌরি। অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা ভোট থাদগদৌবা ভোত্তরশিংনা রিলিফ কেম্পকী নোদেল ওফিসর নত্রগা দিষ্ট্রিক্ট ৱেব সাইত-দব্লিউ দব্লিউ দব্লিউ দোট ইম্ফাল ইষ্ট দোট এন.আই.সি দোট ইনদা চংদুনা ফোর্ম লৌন্নবগীসু চেরোল অসিনা খঙহল্লি। হায়রিবা ফোর্ম অসি নোদল ওফিসর নত্রগা এ.দি.সি নত্রগা এ.আর.ও ইম্ফাল ইষ্টতা এপ্রিল অনি ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি হায়রি।

**সি.পি.আই(এল)ঃ** রাজনিতি দল ১০ গী অপুনবা মীরেপ ওইরিবা ডা: অঙোমচা বিমোল অকোয়জমদা কম্ম্যুনিস্ত পার্টি ওফ ইন্দিয়া(সি.পি.আই)না শৌগৎলগনি হায়রি। দল অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগীদমক সি.পি.আইগী মীরেপ ওইনা লাইশ্রম সোতিন কুমার মীরেপ ওইনা থাদোকবা থৌরাং তৌরল্লবসু লৈবাক্কী ৱাথোকা হেন্না লুমা লৌবগা লোয়ননা দল অসিগী ৱারেপকী মতুং ইন্না সি.পি.আইনা লুচিংদুনা শেমগৎখিবা রাজনিতি দল ১০গী কমন কেন্দিদেদ ওইরিবা এ.কে বিমোলদা শৌগৎলগনি ।

**উখ্রুল(এল)ঃ উখ্রুল জিলাদা** শান্তি লৈনা অমদি নিংথীনা মীখল পাঙথোকবগী পান্দমদা পোল্লিং ওফিসরশিংদা ত্রেনিং পীখ্রে। ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমীনা হায়- লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ওফিসরশিংদা ত্রেনিং পীবগী থবক মখা চথরকপা ওইনা ঙসিসু উখ্রুল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা পোল্লিং ওফিসর ২৮৩ না শরুক য়াখি। অমরোমদা, মীখলগা মরী লৈননা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী ফিন্স কোন্নরদা এক্সাইজ দিপার্টমেন্তনা য়ু কয়া মরুম ফাগৎখ্রে। মখা তানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়রি।

**চুরাচান্দপুর (এল) ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনা লোক সভা মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিংগী অহানবা তাঙ্কক্কী ত্রেনিং ঙসি লোইশিনখ্রে। জিলা অসিগী দি.আই.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- জিলা অসিগী এসেমব্লি সেকমেন মরি অমদি অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী ওইনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিংদা ত্রেনিং পীবগী থৌরম অদু ঙরাংদগী চুরাচান্দপুর গভর্নমেন্ত কলেজদা হৌখিবনি। ত্রেনিং অদুদা নুপী পরসনেল ৬১৩ অমদি নুপা পরসনেল ৯০১ না শরুক য়াখি। চেরোল অসিনা হায়- অনিশুবা তাঙ্কক্কী ত্রেনিং এপ্রিল ২ দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি ।

**উখ্রুল (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী ওইনা অঙাং লিশিং ১৭ কী মথক্তা মীদ দে মিল স্কিমগী কান্নবা ফংলি। ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমীনা হায়- ভারত সরকারনা অঙাংশিংদা মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজনবগী পান্দমদা পুথোরকখিবা স্কিম অসিনা অঙাংশিংদা অদুক্কী মতিক কান্নবা পীরি। স্কিম অসিগী মতেংনা অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা লৈহনবতা নত্তনা লাইরিক লাইশুগী লমদসু হেন্না খুমাং চাউশিনবা ঙমহল্লে । হরিম অসিগী মতাংদা পাউদম অমা --

**--সাউন্দ সোথীং**

**রেদক্রোস(এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইতি (আই.আর.সি.এস)জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী নৌনা শেন্বা ওফিস রুম শঙ্গাবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। জিলা অদুগী বাবুপারদা লৈবা জোতিন্দ্রো মোহোন বাবুপারা জনিয়র হায় স্কুল কেম্পসতা লৈবা ওফিস রুম শঙ্গাবগী থৌরম অমদা আই.আর.সি.এস মনিপুর ষ্টেট বাঞ্চকী চিয়রমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বা, আই.আর.সি.এস জিরিবামগী চিয়রমেন ঐচ.রাজেন কুমার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর এন.বিদ্যানন্দা শরুক য়াখি।

**অসাম রাইফলস(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী হাওচোং ভিলেজতা লু-নানবগী দ্রাইভ অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মদুদা মায়কৈ অদোমগী কম্যুনিতি লিদরশিং অমদি মীয়ামা শরুক য়াখি।

**এস্তর (এল)ঃ** শেনবা চহি ২০২৩-২৪ লোইশিল্লকপগী য়েংলগা রাজ্য সরকারগী কর্ম্মচারিশিং থা অসিগী ৩০ অমদি ৩১ অসি ৱার্কিং দে ওইগনি হায়না তৌরম্বদু থা অসিগী ৩০ খক্তমক ৱার্কিং দে ওইরগনি হায়রি ।

মনিপুর সরকারগী জেনরেল এদমিনিস্ত্রেসন দিপার্টমেন্তনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- লাক্লিবা থাংজা নুমিৎ অসি পব্লিক সেক্তর অন্দরতেক্কীং,ওতোনোমস বোদিস অমদি সোসাইতিশিং য়াওনা মনিপুর সরকারগী মখাদা লৈরিবা কর্ম্মচারিশিংগী ৱার্কিং দে ওইগনি।

**এময়ু(এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ফাইন আর্টস দিপার্টমেন্তনা শিন্দুনা দিপার্টমেন্ত অসিদা অনিরক শুবা এনুৱেল আর্ট একজিবিসন কম দ্রোৱিং ৱার্কসোপ ঙসিদগী হৌখ্রে। নুমিৎ ৪ নি চপ্থগদবা থৌরম অসিদা মহৈরোইশিংনা পুথোকপা আর্ট ৱার্ক ৭১ উৎলি।

থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা য়ুনিভার্সিতি অসিগী ভাই চান্সেল্লর প্রোফেসর এল.লোকেন্দ্রোনা হায়- মনিপুর য়ুনিভার্সিতিদা হাংলিবা ফাইন আর্ট দিপার্টমেন্ত অসিদা অৱাং নোংপোক ভারত্তগী মহৈরোই কয়া তল্লি। মহৈরোইশিং অসিনা পুথোক্লিবা আর্ট ৱার্কশিং অসি মালেমগী মীয়ামদা খঙহন্নবা পান্দমদা একজিবিসন অসি পাঙথোকপনি।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**য়ুজিসিঃ** য়ু.জি.সিগী চেয়ারমেন মমিদালা জগদিস কুমারনা হায়রি-একাদমিক সেসন ২০২৪-২৫ দগী হৌনা য়ুনিভর্সিতিশিংদা পি.ঐচ.দি প্রোগ্রামশিংদা মীং চন্নবগীদমক এন্ত্রান্স টেষ্ট তৌবগী মহুৎতা নেট স্কোরদা য়েংলগা মীং চন্নবা য়ুনিভর্সিতিশিংদা খঙহনখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী জগদিস কুমারনা হায়-পি.ঐচ.দি. প্রোগ্রামশিংদা মিং চন্নবা তোঙান তোঙানবা য়ুনিভরসিতিশিং অমদি হয়ার এদুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংনা এন্ত্রান্স টেষ্ট পাঙথোকপগী মহুৎতা নেটকী স্কোরদা য়ুম্ফম ওইদুনা মিং চলহন্নবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। জুন ২০২৪ সেসনগী নেটকী এপ্লিকেসন মথং চয়োলদগী ফংহনবা হৌননবা নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা কন্না হোৎনরি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**বিজেপিঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা রাজ্য ১১ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনিদা বি.জে.পিগী ইলেক্সন ইন চার্জ অমসুং কো-ইন চার্জ ওইগদবশিং খল্লে। হান্নাগী হরিয়ানাগী বি.জে.পি. প্রসিদেন্ট-ও.পি. ধনকরবু দিল্লিগী ইন-চার্জ ওইনা খল্লে।

এম.পি. ডা: দিনেস শর্ম্মনা মহারাস্ত্রাগী ইন চার্জ অমসুং এম.এল.এ. অভি পাতিলনা তেলঙ্গানাগী ইন চার্জ ওইরে। অসামগীনা কেপটেন অভিমৈনু অমসুং মনিপুরগীনা অজিৎ গোপচারেনা ইন চার্জশিং ওইরগনি।

**এপিঃ** লোক সভা মীখলগা মতম অমত্তদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা সিট ৬০ লৈবা অরুনাচল প্রদেস বিধান সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদবশিংনা ঙরাং মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা মীরেপ ১৯৭ না মীরেপ চে পীশিল্লকখি। রাজ্য অসিগী লোক সভা কেন্দ্র অনিদনা মীরেপ ১৫ না মীরেপ চে পীশিল্লকখি।

রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা হায়-রাজ্য বিধান সভা মীখলগী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র মঙাদদি মীরেপ অমমম খক্তমক মীরেপ চে পীশিল্লকখি। হায়রিবা মীরেপ মঙামক বি.জে.পিগী ঙাক্তনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদগদবা ইন্নর অমসুং আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগী ঙসি মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি পাওথোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎলে।

৩) লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্প অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং ভোট থাদবা য়ান্নবগীদমক স্কিম ফোর ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পরসনস ওফ মনিপুর ইন রিলিফ কেম্প সরকারনা অয়াবা পীখ্রে।

৪) একাদমিক সেসন ২০২৪-২৫ দগী হৌনা পি.ঐচ.দি প্রোগ্রামশিংগী মীং চনবদা এন্ত্রান্স টেষ্ট তৌবগী মহুৎতা নেট স্কোরদা য়েংলগা মীং চন্নবা য়ু.জি.সিনা য়ুনিভার্সিতিশিংদা খঙহনখ্রে।

**অমসুং**

৫) লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা রাজ্য ১১ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনিদা বি.জে.পিগী ইলেক্সন ইন চার্জ অমসুং কো-ইন চার্জ ওইগদবশিং খল্লে।

**--- পাউ লোইজরে---**